# ইনাক খুন্নবগী ফোর্মুলা

## (অনীশুবা পন্দুপ : Entrepreneur & Entrepreneurship)

– ডা. খুন্দ্রাকপম দেবানন্দা –
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মেনেজমেন্ট
নোর্থ-ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি, তুরা কেম্পস, তুরা, মেঘালয়া
Email: devananda.singh@yahoo.com

(হান্নগী মখা)

ময়াম্বু খুরুমজরি। হৌখিবা চেফোংশিংদা মায় পাকপা entrepreneur অমা ওইনবা হোৎনবদা চঙবা গুন তরামাথোইগী মরমদা নৈনখ্রে। মখা তারকপা আর্টিকলশিংদা করম্না ইশাগা চান্নবা শিনফম অমা খনগদগে অমদি শিনফম অদু পায়দুনা করম্না মায়পাকপা entrepreneur অমা ওইগদগে হায়বসি পামিন্নরসি।

ইশাগা চান্নবা শিনফম অমা খন্দ্রিঙৈদা, ঐনা তৌবা ঙম্বা, ওইথোকপা য়াবা করি-করি শিনফম লৈবগে হায়বসি হান্না খঙদোক্কদবনি। মতাংসিদা entrepreneurship কী লাইরিক পারুরবদি অমুক হেন্না চমম্নদুনা, ৱাখল তাবা ঙমদবসু য়াই। চান্নবা থবক হায়বসি করম্না লেপকদগে হায়বগী অকক্নবা অমা লৈতে। মসিদি থবক তৌগদৌরিবা মীওইদুনা লেপচগদবনি। খুদম ওইনা লৈকায়দা শম ককপা হৈবা নুপামচা অমা লৈ হায়না খল্লসি। শম ককপা য়াম্না হৈরুবনা মরম ওইদুনা লৈকায়গী মী অয়াম্বা মানা শম ককপী অদুবু মহাক্না শম ককপগী enterprise অমা হাংদুনা শেন্দান লন্বী ওন্থোকপদদি মশাদা ইকায়বা ফাওই, ইমুং-মনুংনসু কয়া য়ানীংলোই। অমরোমদা অমুক য়েংলুরগদি ঐখোয় মীগী মতৌ য়াম্না তমগল্লি। মীনা স্কুল লিংখৎতুনা শেল খরা তানবা হৌখ্রবদি, ঐসু হেক্তা স্কুল লিংখৎনীংই। ইমান্নবনা রেষ্টুরেন্ট হাংদুনা খরা মায় পাকখ্রবসু, রেষ্টুরেন্ট ওইনা হাংলসিরা হেক্তা খল্লকই। ঐনা হায়জরিবসি, ঐখোয় শম ককপা, প্রাইভেট স্কুল লিংখৎপা, রেষ্টুরেন্ট হাংবা, হোটেল ফম্বা অসিনচিংবা ঙাক্তা ওইরসি হায়বা নত্তে। লাইরিক হৈবা কাঙবু আই এ এস, আই পি এস, এম সী এস, এম পি এস, লৈঙাক্কী অচৌবা থবক কয়া, ডাক্তর, প্রোফেসর, এঞ্জিনিয়র ওইনরি। অদু ঙমদ্রগদি করি তৌগদগে? আই এ এস ওফিসরদগী থাগী তোলোপকী লুপা ১০০০দুগা, Enterprise অমা লিংখৎতুনা মদুদগী ফংলকপা লুপা ১০০০দুগা ভেল্যু চপ মান্নে। শেল তানবগী মওং খেন্নবগী ৱা খক্তনি। অদুনা ৱায়েল পথাপনা য়াবা শেন্দাল লন্বী ওইরবদি লন্বী অদুদগী শেল তানবদা করিসু কায়দে। অদুদি হৌজিক ওইথোকপা য়াবা শিনফম করি করি লৈবগে হায়বসি য়েংলসি।

ওইথোকপা য়াবা শিনফম থিবা (Generation of Project Ideas) : ইশাগা চান্নবা শিনফম অমা খন্নবগীদমক্তা ঐনা করি করি তৌবা ঙমই, গভর্ণমেন্টনা কান্নবা করি করি পীরি, ঐনা তৌগদৌরিবসি ইনভাইরনমেন্টতা কায়দব্রা? হায়বনচিংবশিংসি য়েংবা মথৌ তাই। ওইথোকপা য়াবা শিনফমশিং থিবদা মখাগী পীজরিবশিংসি শীজিন্নবা য়াই।

১) SWOC Analysis : অশাংবীদা মসিবু Strengths, Weaknesses, Opportunities অমসুং Challenges Analysis হায়না খঙনৈ। মতাং অসিদা ইশানা চান্নে হায়না কাবক-কাবক খঞ্জবা থবক অমা লৌখৎলগা SWOC analysis তৌথোক্তুনা য়েংবীবা য়াই। মসি অরাইবা থবক্তি নত্তে। অদুবু তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা অমনি। খুদম ওইনা ট্যুসন সেন্টর অমা হাংগে হায়রবদি মসিগা মরী লৈননা SWOC analysis তৌবদা চঙগদবা মচাকশিং (ফেক্টরস) হান্না খঙদোকপীগদৌবনি অমসুং মখা তানা analysis তৌবীগদবনি।

২) কৈথেল অমদি পোথোকশিংগী লৌশিং : কনাগুম্বা খরদি কৈথেল অমদি কৈথেলদা য়োল্লিবা পোৎ চৈশিংগী মরমদা মুন্না খঙই। অসিগুম্বা লৌশিং অসি শীজিন্নদুনা করি পোৎ পুথোল্লগা, করম্বা কৈথেলদা য়োল্লগদি শেন্দোং ফংগদগে হায়বসি লেপ্পা ঙমই। খুদম ওইনা স্কুল, কোলেজ অমদি ট্যুসন সেন্টর য়াম্না লৈবা মফম অমদা ষ্টেস্নরি আইটেমশিং, জেরোক্স, প্রিন্ট অসিনচিংবশিংগী enterprise হাংবদা শেন্দোং লৈবা য়াই।

৩) কষ্টমর ওইরক্কদৌবা মীওইশিংগী ৱাখল্লোন অমসুং অপাম্বা : মওং অসিগী মতেংনা ওইথোকপা য়াবা শিনফম অমা থিবা হায়বসি অরাইবদি নত্তে অদুবু হৈ-শিংনা থবকসি পাঙথোল্লবদি চাউনা মায় পাকপা য়াই। ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদম খরদা ঐনা ৱা ঙাঙজরুবদা মওং অসি খুদমগা লোয়ননা পঞ্জবনি। Entrepreneur খরনা খুদম অসিমক শীজিন্নরগা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা চাউনা শেন্দোং ফংবগী পাউ ঐঙোন্দা তন্বীরকই। খুদম অদু পাবিরিবশিংদা অমুক হন্না থমজরি।

অদোমগী য়ূমদগী য়াম্না লাপ্তুনা প্রাইভেট স্কুল অমা লৈ হায়না খনবীরো। স্কুল অদুদা য়ামদ্রবদা অঙাং চনিখক্তং তমই হায়না খল্লসি। হৌজিক্কী মতমদা অঙাংশিংনা স্কুল চৎপদা টিফিন পুবা হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাফমনি অমসুং ইমুংগী মীওইশিংনা হায়রিবা টিফিন অসিদা হাপ্পনবা চাননবা পোৎ শেম্বা হায়বসি অরুবা থবক অমা ওইনরি। মসিদা মতম অমদি অঙাংদুনা পাম্বা পোৎলমশিং চঙই। খুদোংচাবসি লৌরগা অঙাংগী স্কুল ময়াদা টিফিন সপ্লাই তৌবা enterprise অমা লৈরগদি ফরোইদ্রা? অঙাংশিংদসু ফোং-ফোং শাবা চানবা ফংহনগনি, ইমুং মনুংদসু টিফিন শেম্বগী অৱাবা লৈররোই অমদি enterprise অদুদসু শেন্দোং ফংহনগনি। হান্নবা স্কুলগী অকোয়বদা অমদি স্কুল মনুংদা ফাওবা অচা অথক য়োনবা কয়া লৈরম্বা য়াই। অদুবু হৈশিংনা অমদি অঙাংশিংগী অপাম্বা খঙনা থবক তৌরবদি মায় পাক্কনি। ষ্ট্রেটেজি খুদিংমক আর্টিকল অসিদা ইবগী তাঞ্জা ফংজদে। হেন্না খঙবীনীংলবদি অমদি তান্ননীংবীরবদি e-mail তৌবীরকউ।

৪) ইশাগী এক্সপরিএন্স অমদি হৈজবী : ইশাগী এক্সপরিএন্স অমদি হৈজবী শীজিন্নদুনা চান্নবা শিনফম অমা থিবা হায়বসি য়াম্না ইচম চম্বা অমদি য়াম্নসু তৌনবা থৌওং অমনি। অদুবু ইশানদি হৈরে, খঙলে, লম্দুদা এক্সপরিএন্স লৈরে হায়না খনজবদু তশেংলবরা হায়না অমুক য়েংথোকপা মথৌ তাই। নৎত্রগদি ইরায় লায়না মায়থীবা য়াই।

৫) অখঙ অহৈশিংগা তান্নবা : থৌওং অসিনা মথক্কী পঞ্জখ্রিবা থৌওং মরি অসিদগী হেন্না ফবা মওংনি। হায়রিবা মওং অসিদা entrepreneur ওইগদৌরিবা মীওই অদুনা অখঙ-অহৈ (Consultant) অমগী মনাক্তা চৎলগা নৎত্রগসু ফোন্দা ৱারী শারগা করি তৌবা য়াবগে অমসুং ফংলিবা ওপোচ্যুনিটি ময়ামদুদগী করম্বনা খ্বাইদগী হেন্না চান্নগদগে অমদি শেন্দোং ফংগদগে হায়বসিগী মতাংদা তান্নগনি। তান্নমল ওইনা কন্সলটেন্ট অদুনা কন্সলটেন্সি ফী খরা শেল ওইনা লৌনৈ। লাইবক থীবদি ইরমদম অসিদা প্রোজেক্ট কন্সলটেন্সি ফার্ম য়াম্না লৈ, মখোয়না entrepreneur শিংগী প্রোজেক্ট শাবি, ফী লৌই। প্রোজেক্ট অদু বেঙ্কতা নৎত্রগা মরী লৈনবা ওফিসতা পীশিন্দুনা লোন লৌনৈ। তৌবদবু প্রোজেক্ট কন্সলটেন্সি ফার্ম অদুনাEntrepreneur দুদা করম্না থবক্তু পাঙথোক্কদগে হায়বদু শুগাইনা তাকপীদে, বেঙ্কনসু য়েংবীদে, Entrepreneur দুনসু খঙনীংবা পোক্তে। মসি অরানবা থৌওংনি। Entrepreneur অমগী প্রোজেক্ট রিপোর্ট অমা শেম্বদা financial feasibility খক্তং য়েংলবদি, enterprise অদু মায় পাক্লোই। Market Feasibility Analysis, Social-Cost Benefit Analysis, Environmental feasibility Analysis, Socio-Economic Analysis অসিনচিংবশিংসি য়েংলবা তুংদা financial feasibility analysis তৌবীগদবনি।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংলিবদি কন্সলটেন্ট অদু তশেংনা entrepreneurship কী মরমদা অমদি প্রোজেক্ট রিপোর্ট শেম্বগী হীরমদা মুন্না খঙলবা মীওই নৎত্রগা ইষ্টাব্লিশ ফার্ম অমা ওইরব্রা হায়বসিনি। প্রোজেক্ট রিপোর্ট অমা শেম্লগা লোনগীদমক খনবীরবদি মায় পাকপা entrepreneur অমা ওইবা শুকঙম ঙম্লোই। অদোম্না খরা মায় পাকপা মতমদদি লোনগী মথৌ তারক্তবসু য়াই। ইশাগী শেন্দোং অমদি লৈজবা শেল enterprise তা থাদদুনা, বেঙ্কতা শেন্দোই হুন্দুনা প্রোফিট হন্থনবগী থৌওং পাম্লক্তবসু য়াই। মরম অদুনা প্রোজেক্ট রিপোর্ট হায়বসি লোন ফংনবগীখক্তং নত্তে, Entrepreneurial activity শিংদু করম্না পাঙথোক্কদগে হায়বসিগীসুনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থৌওং মঙাসি নত্তবা অতোপ্পা থৌওং কয়া ওইথোকপা য়াবা শিনফম অমা থিবদা শীজিন্নে। পনবা য়াবশিংদি -

৬) কৈথেলদা হোংলক্লিবা ফীভমগী মতুংইন্না শিনফম থিবা।

৭) পোৎ অমগী মহুৎ শিনবা য়াবা পোৎ পুথোকপা।

৮) কৈথেলদা সর্ভে অমদি রিছার্স তৌদুনা শিনফম থিবা অসিনচিংবশিংসিনি।

লোইশিল্লকপদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি Entrepreneurship চাওখৎনবা হোৎনবা হায়বসি লৈবাক অমগী লৈঙাক অমদি মীওই খুদিংমক্কী থৌদাং চাউনা লৈ। পূন্না হোৎনমিন্নরগা ইরমদম অসি চাকহোঙ-ঙাহোঙবা, ৱাত্ত-পাদবা সনা লৈবাক হায়বদু ওইননবা অমুক্তং হোৎনমিন্নসি। অদোম্না আর্টিকল অসি পাবদা খজিক্তং কান্নে হায়না খনবীরবদি মরুপ-মপাংশিংদা স্যের তৌবীয়ু। মথংগী আর্টিকলগীদমক য়ূমশকৈশা ঙাইমিন্নরসি। ময়াম্বু অমুক হন্না খুরুমজরি। ●

# "ঘড়ীদি লেপ্তুনা চৎলি" মতমসু অসুম হৌজিনখি


- ডা. সাধনা নিংথৌজম -
(ইপিদমিওলোজিষ্ট) ষ্টেট টি বি সেল

নুমিৎ অদু কুমজা ১৮৮২, মার্চ ২৪নি, বৈজ্ঞানিক রোবর্ট কোচনা টি বি হায়রিবা লায়না অসি Mycobacterium (MY) Tuberculosis (TB) হায়বা মহীক (Germ) অমনা থোকহনবনি হায়না পুথোকখিবসি মহাকপু নীংশিংবা ওইনা চহী খুদিংগী মার্চ ২৪ অসি মালেমগী টি বি নুমিৎ হায়না অখন্নবা নুংগী ৱারোল অমসুং স্লোগানশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্লি। মসিনা মীয়াম্বু লায়না অসিগী মরমদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা পান্বে অমা ওইরি। হন্দক চহী ২০২১গী নুংগী ওইবা ৱারোলদি 'ঘড়ীদি লেপ্তুনা চৎলি' কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা টি বি লায়না অসি মরূ ফূক্না মুথৎখিনবা মালেমগী লুচিংবশিংনা কন্না হোৎনরি।

ইন্দিয়াগী ওইনদি হায়রিবা পান্দম অসিদগী চহী মঙা ঙনখৎনা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা লায়না অসি মরূ ফুক্না মুথৎকদবনি হায়বগী পান্দম অসি কুমজা ২০১৮গী মার্চ ১৩দা পাঙথোকখিবা দেল্লী সম্মিত্তা ইকায়খুম্নজরিবা প্রাইম মিনিষ্টর শ্রী নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকপীখি। হায়রিবা পান্দম অসি ফংনবগীদমক মরী লৈনবা লৌনগনবা অমদি লৌনগদবা লায়নাশিংগী লায়েং চথুরিবা দিপার্টমেন্টশিংনা পূন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়ননা মীয়াম্নসু মপূং ফানা শরুক য়াবিবা চঙই। মসিগীদমক ঐখোয়না মতম চানা টি বিগী কেসশিং থিদোকপা, লায়েংবা অমদি মপূং ফানা ফহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা চহী অনী ফাওবদি মখা তানা য়েংশিনবা চঙই। হায়রিবা অসিনা মায় পাক্লবদি ইন্দিয়াদা টি বি লায়না লৈতবা, নিংশা শ্বর হোনবদা অকিবা পোক্তবা, অশেংবা নুংশিৎ-নুংশা ফংবা ঙমগনি।

টি বি অসি লৌনগনবা লায়না মখল অমনি। মসি Mycobacterium Tuberculosis হায়রিবা মহীক মখল অসিনা থোকহনবনি। হায়রিবা লায়না অসি নুংশিৎতা শন্দোকপা ঙম্বগা লোয়ননা হকচাংগী শম অমদি খূৎজিন নত্তনা লেমহৌরিবা অতৈ শরুকশিংদা শোকহনবা ঙম্মী।

টি বি লায়না অসি মখল অনী থোক্না খায়দোকপা য়াই। অহানবদা থবোম্বীদা থোকহনবা টি বি, অনীশুবদা থবোম্বীগী ৱাংমদা থোকহনবা অসিনি। মালেমগী ওইনা টি বি নাবা মীওই চাদা ২৭তি ইন্দিয়াদা লৈ। লোয়ননা শিবগী চাংসু চাদা ২৯দি ইন্দিয়াগী মীওইনি। টি বি




নাবশিংগী মনুংদা চাদা ৮৫দগী ৯০ ফাওবদি থবোম্বীগা মরী লৈনৈ। অদুগা চাদা ১০দগী ১৫ ফাওবনা থবোম্বী নত্তবা হকচাংগী অতৈ শরুকশিংদা নাহল্লি।

মসিগী বেক্টিরিয়া অসি মীওই খরদদি লায়ওং অসি চপ চানা উথোক্তনা মহীক অসি লোত্তুনা লৈবা য়াওরি। মীওইবনা মশা ঙাকথোকচনবা লৈরিবা ইম্যুন সিষ্টম শোন্থরক্লবা মতমদা লোৎলিবা মহীকশিং অদু ফূদোরক্তুনা এক্টিভ টি বি দিজিজ ওইহল্লি। টি বি এক্টিভ কেসশিং খঙদোকপা, লোত্তুনা লৈরিবা টি বি মহিকশিং থিদোক্তুনা লায়েং চথুবা অমদি টি বি ভেক্সিন কাপথোকপা হায়বসিনা লায়নাসি মুথৎনবা পান্বেনি।

মমাঙ চহী দিসেম্বর ২০২০দা দিষ্ট্রিক্ট টি বি ওফিসরস, অশা, অঙ্গনৱাদি ৱার্করস, ভল্যুন্টিয়রস অমদি ষ্টেট টি বি সেলগী মরু ওইবা মীওই কয়া য়াওনা হেৎনমিন্নদুনা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা টি বি লায়না লৈবশিং খঙদোকপগী খোঙজং চঙশিনখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কুন্দা পায়খৎকদবা নেসনল টি বি প্রিভলেন্স সর্ভে (এন টি বি পি এস) গী মখাদা মণিপুরগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা এন টি বি পি এসগী টিমশিংনা লাক্লিবা এপ্রিলগী তারিখ ১দগী চয়োল অহুম চূপ্না সর্ভে চথুগদৌরি। মসিগীদমক মখোয়না টি বি টেষ্ট তৌননবা মতিক চাবা খূৎশু-খূৎলায় মখল মখা কয়া য়াওরবা বস অমা পুরক্কদৌরি। মসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবীদুনা টি বি লায়না মপূং ফানা মুথৎনবা হোৎনরিবা খোঙজং অসিবু শৌগৎপীয়ু হায়না হায়জরি। টি বি লায়না থিংনবা খোঙজংশিংদা ঐখোয় খুদিংমক্না পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা লায়না অসিবু মপূং ফানা মুথৎপগা লোয়ননা মহীক মতাই চেন্দবা, নুংশিৎ-নুংশা মরাং কায়না ফংবা, অমোৎ-অকায়শিং মফম চানা লোইশিনবা, ইশা ইশাগী অমদি ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম তরু-তনান্না থমদুনা হেন্না মশা ফবা মালেম অমা ওইহল্লসি।

কুমজা ২০২৫ ফাওবদা ইন্দিয়াবু টি বি লায়না লৈতবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা য়ুনিয়ন হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টরনা হৌখিবা মার্চ ১৫দা টি বি জন অন্দোলন মাস কেম্প্যেন হৌদোক্তুনা মীপূম খুদিংমক্তা লায়না অসিগী পাউজেল য়ৌহনবগা লোয়ননা মমুৎ তানা খঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখি। টি বি লায়না লায়ওং ঙল্লিঙৈদা খঙদোকহৌরগা পব্লিক অমদি প্রাইভেট সেক্টরদা লায়েংনবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। কুমজা ২০২০দা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা টি বিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নখি। খুদম ওইনা হায়রবদা জন্যুৱারী থাদা লায়না অসিগী এক্টিভ কেস খঙদোক্নবা হোৎনবদা অপনবা থোকখি। মার্চ থাদা ৱর্ল্ড টি বি দে পাঙথোকপদসু অপনবা ওইখি। জুন থাদা ৱিমেন এন্দ চাইল্ড; সেপ্টেম্বরদা টি বি এন্দ ন্যুত্রিসন; দিসেম্বরদা ষ্টিগমা এন্দ দিসক্রিমিনেসনগী থৌরম পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা মায়োক্নখি। ষ্টেট অসিগী ওইনা মেদম মেরি কোমনা টি বি ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইদুনা টি বিগী এৱ্যেনেস প্রোগ্রাম কয়া হৌদোকখিবসি লাইবক ফবনি।

টি বি লায়না নারবা মীওই চাদা ৫০ হেন্না প্রাইভেট সেক্টরদা লায়েংবা মরম্না ইমুং-মনুংদা শেল থুমগী খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরি। লায়েং চথুরিঙৈদা য়াম্না মরু ওইবা থৌওং অমা ওইরিবা ফোলো অপকী থৌরাং য়াওদবা মরম্না প্রাইভেট সেক্টরদা লায়েংলিবা মীওইশিং মতম শুদনা হীদাক চাবা লেপখিবদগী দ্রগ রেজিষ্টেন্ট ওইবা টি বি লায়না ওইহল্লকপা থেংনরি। মরম অদুনা নেসনল টি বি ইলিমিনেসন প্রোগ্রামগা প্রাইভেট সেক্টর, হোস্পিটাল অমদি ক্লিনিক্কচিংবগা হীরম অসিদা খূৎশম্নবগী তঙাইফদবা লৈ। ঐখোয়গী প্রোগ্রামদি টি বি লায়েংবদা অমসুং মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজবদা শেল অমত্তা চঙহন্দবা মরম্না মীচম মীয়ামদা শেলগী অৱাবা মায়োক্নহন্দে। ন্যুত্রিনসেল সপোর্ট স্কিম, ত্রাইবেল সপোর্ট স্কিম, ত্রিটমেন্ট সপোর্টরগী ওনরেরিয়ম অমদি ইন্সেন্টিভ পীবগী থৌশিল য়াওরি।

টি বি লায়না মপূং ফানা লাকশিন্নবা হোৎনবদা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা খূৎশম্নবা মতম ওইরে। এয়র বোর্ন ইনফেক্সন কন্ট্রোল তৌবা, ঈশিং-নুংশিৎ শেংহনবা অমসুং পর্সনেল হায়জিন বাইওলোজিকেল ৱেষ্ট নিংথিনা লোইশিন্দুনা অফবা মালেম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মীপূম খুদিংমক্কী থৌদাং চাউনা লৈ। ●

THE MANIPUR ELECTRICITY EMPLOYEES' UNION

খঙহঞ্জবা

হৌখিবা মমাং চহী দিসেম্বরগী তাং ১৮, ২০২০ ইংদা মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ননা ৭শুবা পে (আর.ও.পি. ২০১৯)গা মরী লৈননা অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না তৌরম্বদগী মরী লৈনবা ওথোরিটিগা মীউগা ৭শুবা পে (আর.ও.পি. ২০১৯) অসি য়াম্না থুনা লাক্লিবা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থা ফাওবগী মনুংদা পীথোক্কনি হায়বগী য়ানবা চেরোল অমা খূৎয়েক পীনদুনা খোঙজং অদু মতম খরা য়েথোকখিবদু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মার্চকী তাং ৩১, ২০২১ ইং ফাওবগী মনুংদা থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্তবদি মথং থা এপ্রিলদগী "অকনবা খোঙজং" চঙশিল্লগনি।

Sd/- T. Shyamnagor Singh
General Secretary, MEEU
HL-P/9366/24

GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT
e-Tender Notice No. EE/PHE/IE-JJM(A)/2020-21/278
dated 23.03.2021

It is hereby notified that e-tender process for the following works have been initiated (a) Construction of RCC-Overhead Tank 1.5 Lakh litre Capacity at Kiyamgei Muslim WSS: Package A and (b) Construction of RCC-Overhead Tank- 4.5 Lakh litre Capacity at Kairang Meitei WSS : Package B. The details can be obtained from the website https:/manipurtenders.gov.in.

Sd/- Executive Engineer,
Imphal East PHE Division,
PHED, Manipur
HL-B/6872/24

NAME CHANGE



I, Aribam Mahendra Sharma @ Aribam Laiba Sharma S/o Late Chetanananda Sharma @ Aribam Tomba Sharma have changed my name from Aribam Muhindro Sharma to Aribam Mahendra Sharma via affidavit 01AA121141 sworn before the Oath Commissioner (Judicial) Manipur dated 23 March, 2021

Sd/- Aribam Mahendra Sharma
Sagolband Tera Akham Leikai
HL-P/9381/24

THE CHANGANGEI STUDENTS' WELFARE ORGANISATION
Changangei Maning Leikai, Heigru-Makhong, Imphal West
Regd. No. 1540 of 1975

খঙহঞ্জবা

হৌখিবা তাং ২২/০৩/২০২১ নিংথৌকাবা নমীৎতা Changangei Student's Welfare Organisation গী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা হৌজিক হৌজিক য়েৎনরিবা Taosang লম্পাক্তা Community Hall শাবগী মতাংদা য়েৎনরিবা অসি Changangei Students' Welfare Organisation না ৱায়েনবা ঙম্লোইদবা মরম্না নাকল অনীনা ঈংনা তপ্না য়াশিন্নবা অমা পুরক্লিবা ফাওবদি Community Hall শাবীদনবা খঙহঞ্জরি।

খঙহঞ্জরি : Ch. Sanajaoba Singh
Secretary, C.S.W.O
HL-P/7092/24

EMPLOYMENT NEWS / থবক্কী পাউ

1) 2 Female Warden cum Teachers Graduate/PG (Rs. 10,000 - Rs. 14,000)
2) 1 Asst. Teacher for Manipur & English- Graudate/PG (Salary-Negotiable)
3) 2 Boarding Bus and Car Drivers, 2 Boarding Cooks (Rs. 7,000 - Rs. 13,000)
4) 2 Boarding Mothers and 2 Boarding Securities (Rs.6,000 - Rs. 14,000)
5) 2 Chowkidar Couples (Rs. 9,000 - Rs. 14,000)

Please Contact :
8787752537 / 9615206584
HL-P/9378/24

থবক কৌজরি

মশাগী চহী 18 দগী 50 ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহা নুপাশিং অমদি ইচে ইচলশিংনা Security, Warden, Driver, Helper, Cook, Chowkidar অমসুং Gunman গী ওইনা থাগী Pay Rs. 10,000/- দগী হৌজগনি। মথক্তা পঞ্জরিবা থবক্কী Post শিং অসি অথুবগী ওইনা কৌজবনি অহাঙবা মফম লৈবগীদমক লোয়ননা থবক্কী অহাঙবা Post শিং অসি apply তৌবীনিংবশিংনা মশা-মশাগী Aadhaar Card, Passport Photo অনী অমসুং Qualification Certificate পুবীরক্তুনা Office তা অথুবদা apply তৌবীবা য়াগনি।

Contact No. : 7529835413
Office Hours : 10.00 am to 16 hrs.

Sd/- Managing Director
SSG
(Social Security Guard )
Uripok Laikhurembi
HL-P/9382/24

M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

| Class | Rate (Rs) | No. Of Bricks | Amount (Rs.) | Transp. & Labour Charge (Concessional Rate) | Total (Rs.) |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st Class | 16.00 | 3,000 | 48,000 | 1,500 | 49,500 |
| | | 2,000 | 32,000 | 1,000 | 33,000 |
| | | 1,500 | 24,000 | 750 | 24,750 |
| 2nd Class | 15.00 | 3,000 | 45,000 | 1,500 | 46,500 |
| | | 2,000 | 30,000 | 1,000 | 31,000 |
| | | 1,500 | 22,500 | 750 | 23,250 |
| 1st Reject | 14.50 | 3,000 | 43,500 | 1,500 | 45,000 |
| | | 2,000 | 29,000 | 1,000 | 30,000 |
| | | 1,500 | 21,750 | 750 | 22,500 |
| Jhamat | 14.00 | 3,000 | 42,000 | 1,500 | 43,500 |
| | | 2,000 | 28,000 | 1,000 | 29,000 |
| | | 1,500 | 21,000 | 750 | 21,750 |
| P.T. | 13.50 | 3,000 | 40,500 | 1,500 | 42,000 |
| | | 2,000 | 27,000 | 1,000 | 28,000 |
| | | 1,500 | 20,250 | 750 | 21,000 |
| 2nd Reject | 12.00 | 3,000 | 36,000 | 1,500 | 37,500 |
| | | 2,000 | 24,000 | 1,000 | 25,000 |
| | | 1,500 | 18,000 | 750 | 18,750 |
| 3rd Class | 10.00 | 3,000 | 30,000 | Free | 30,000 |
| | | 2,000 | 20,000 | Free | 20,000 |
| | | 1,500 | 15,000 | Free | 15,000 |
| Checktek 1 Load 407 Cantor | | | 6,500 | 750 | 7,250 |

Contact Hour:
Mon to Sat : 6.00 am to 6.00 pm
Sunday : Phone and Transportation OFF

Please Contact :
1. 7005134130
2. 7005513073

HL-P/9348/20/3-6/4